# ৱাইশেন মরীন্দা মহৌশাগী খূৎশেম কায়রকপা অমসুং ঈরমসিবু কোনবীরিবী ইমা হাওরোকচান্বী -৩

- নাওরেম দেবান মঙাং -

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৯ অমসুং ২৯, ২০২০দগী মখা চত্থরকপনা হৌজিক কৈশামথোং এ সীগী লৈকায়সি মঙা শুরে। মদুদি (১) ঙানপ্পী থোং মপাল (২) ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায় (৩) থৌদা ভাবোক লৈকায় (৪) কোঞ্জেং হজারি লৈকায় অমসুং (৫) অৱাং থংবদা লৈরিবা খ্বাইরাকপম লৈকায়নি। অদুগা শগোলবন্দ এ সীগীনা ৯ শুরে। মদুদি (১) তখেল্লম্বম লৈকায় (২) লৈমখুজম লৈকায় (৩) সোইবম লৈকায় (৪) অৱাং থংবা থিয়াম লৈকায় (৫) খা থংবা থিয়াম লৈকায় (৬) অখাম লৈকায় (টিদ্দিম রোদকী নোংচুপ থংবদা লৈরিবা) (৭) থৌনাওজম লৈকায় (চুংখাম লম্পাক্কী অৱাং থাবা) (৮) থিঙ্গোম লৈকায় অমসুং (৯) খা থংবদা লৈরিবা খ্বাইরাকপম লৈকায় অসিনি।

অদুবু, হৌজিক শগোলবন্দ এ সীগীদি মপূং ফারে, অদুগা কৈশামথোং এ সীগীদি ৱাৎলি। মথংগী ৪শুবা ইস্যুদা মখা চত্থরক্কনি। মরকসিদা হৌজিক ইমাবু অসুক ৱাংনা শিংথাদুনা করিগী লাক্লিবনো হায়বগী চাওরবা ৱাফম অমা খঙমিন্নদবা য়ারক্তবগী মতাং অসিনি। শম্লপ্পা লমদমসিগী তম্পাক্কী চাউরবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা এ সী ১১গী মনুংদা এ সী ৭না হকথেংননা কোল্লিবা চাউরাক্ল। কিলোমিটর ৩৬ লোমদগী হেন্না মসা-মরেং কয়ামুক লৈরিবা ইন্দিয়াগী ওইনা থুমহি চেন্দবা অশেংবা ঈশিংগী পাৎ অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎতা দাইরেক্ট ওইনা তাখ্রিবা 'ৱাইশেন মরীন' হায়না মৈহৌরোলদগী খঙনরক্লবা ঈশিং-ঈরমসি লমদমসিগী চীং অমসুং তমগী ইকোলোজি কন্নবা, ইনভাইরনমেন্ট ঙাক্না মহৌশাগী খূৎশেম কায়রক্তনবা, ঈশিং শেংহন্নবা (ৱাটর পোলুসন) থোক্তনবা, নুংশিৎ শেংহন্নবা (এয়র পোল্যুসন) থোক্তনবা অমদি লমদমসিগী মহৌশাগী চান্নরবা থৱায় পানবা কয়ামুক মীওইবসু য়াওনা মতম শাংনা হিংবা ঙম্নবা লায়না-তীলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা থবক থৌরম কয়ামুক পায়খৎলকপদা ঈশিং-ঈরমসিবু শাগোন্নবীরিবী ইমা হাওরোকচান্বীগী চেল্লিবা মতিক-ময়াই অমদি শিংথানীংঙাই ওইরবা থৌনা লিংজেলবু ঐখোয় পূন্নমক্না ঈরাৎ-থৌনি তৌজদুনা ইমাগী মফমদা লৈজবা হৈকেৎ-লৈকৎ তমদুনা ঐখোয়বু পূন্নমকসিদগী ঙাকথোকপীয়ু হায়না নোল্লুক্না খুরুমজহৌবনা তুংগী অমদি হৌজিক্কী ইচা-ইশু কয়াগী য়াইফবা হায়বদু ওইহৌগদৌরিবনি। অদুগা নাকল অমরোমদা অমুক য়েংলুরবসু ৱাইশেন ঈরমসিগী খারোমদা লৈখ্রিবা ঈরম-খোংলম অসিবু কোনবীরিবী ইমা শন্দ্রেন্বী-চাইশ্রাগী শায়োন্নিসু হায়না খঙনদুনসু লাক্লিবনি। অসিগুম্বগী ৱাফমসি লাকপদা অসিমসু হায়নরি, মদুদি :- ৱাইশেন ঈরমসিবু অমুক কুইনা মহৌশাগী খূৎশেম ঙাক্না, পানখিবা অমদি পাল্লিবা লৈঙাক কয়ানা চুং-ফিরান চানা শেন্বা-শাবা ঙল্লক্ত্রিবা অসিগী মরমসি কূপ্না খন্নরকপদা ঈরমসিবু কোনবীরিবী অমদি কোনবীরিবা লাইরেম্বা-লাইরেন্বীশিংবু লৈরিবা মীয়াম ঐখোয়না থওই-ৱাওই তৌদুনা নীংথিজনা ঈরাৎ-থৌনি তৌরক্তবনসু ৱাইশেন মরীনগী ঈশিং-ঈরমসিবু চুম্না থম্বা ঙল্লক্ত্রিবনি হায়নসু। অসুম্না ৱাইশেন ঈরমসিগী হকথেংননা কোনবিরিবা-কোনবীরিবী কয়াসিবু য়োকখৎপগা লোয়ননা ঐখোয়না অমত্তা ওইনা লাই ওইরিবা ওইরিবীশিংবু ঙমজবা থাক্তা মাগী-মাগী খুভমশিংদা চুং-ফিরান চানা শেমগৎহৌবগী অদুক্কী মতিক তঙাইফদবা হায়বদু ওইরক্লি। অদুনা ইরমসিদা হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা লাইশিংবু ঐখোয়না নিংথিজনা শেমগৎ-শাগৎপা ঙল্লক্ত্রিবসিনা মরম ওইরগা ঈরমসিদা শেংবা অমদি তেংবনচিংবা থবক থৌরমশিং কয়া চত্থরকপদা শীজিন্নরক্লিবা জে সী বি মেছিন্নচিংবা অমদি এক্সকাভেটরশিং শীজিন্নরকপদা খঙহৌদনা ঈশিং মনুংদা করিগুম্বা পনফম থোক্তবা উচুক অমদি নূংনচিংবা অমত্তা লৈতবা মফমদা তৌবা অমদি কোৎপনচিংবা কয়ামুক চত্থরকপদা ইখঙ খঙহৌদনা পনবা অমদি লৌশিনবগুম্বা অমা থোক্তুনা মেছিন্নচিংবা কয়া লৌখৎপা অমসুং খুদক্তা থবক লেপ্পনচিংবা তৌরকপদা হৈ-লৈশিং কত্তুনা থৌনিজদুনা খুরুম্লবা মতমদা ইরায় লায়না লৌখৎপা অমদি থবক মখা চত্থবা য়াখিবা কয়ানি।

মথংদা মীয়ামসিনা মতম কয়াদগী ঙাঙনরক্লিবা ৱাফম্না ইমা হাওরোকচান্বীগী শঙ্গায়-যূম্ফম মপাসিদা থোকপা গাড়ীগী অমদি খঙহৌদনা থোকপা এক্সিদেন্টশিং অয়াম্বদি পুন্সি কনবা ঙমদনা লোইনা লৈখিদবা ঙাক্তনি হায়বসিনি। মসিগী মতাংদা খরদং পনবা তারবদি লমদমসিদা মতম কয়াগী মমাঙদা নোংমৈনা কাপ্পুনা খুদক খুদক্তা হাৎপা-তূপ্পগী থৌদোক অমা লাইচৎ ওইনা চত্থখিবগী মতাংদা খ্বাইদগী ইহান হান্না হৌখিবসি ইমা হাওরোকচান্বীগী মপাদা টিদিম রোদকী হেক মমাঙমক্তদা হঙ্গাম মপান মচুগী ফিজেল শেৎপা লম্বোইবনি হায়নবা মীওই ২/৩না রিক্সো তোংদুনা লাকপদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা। মথংদা ইমা হাওরোকচান্বীগী মপা চপ চাবদা টিদ্দিম রোদ তৌখায়রগা লন্বী শেন্নকপদা কোমজাও-কোমজাও তৌথোক্তুনা থম্লকপদা খঙহৌদনা নুমিদাংগী মতমদা খারোমদগী অৱাং পাংনা কার অমা থৌরকপদা কোমজাও অমদা তাশিনবদগী শিংজমৈ এ সীগী হান্না এম এল এ ওইবদগী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরম্লবগী মখুরাগী মচানি হায়বা অমসু লৈখিদবনি।

মথংদা ইমাগী শঙলেনসিগী হেক মমাঙদা লুনা গাড়ী অমা থৌরকপদা খঙহৌদনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা কৈশামথোং, থৌদা ভাবোক লৈকায়দগী ইয়াম্বা সোরাইসম মুহিন্দ্রোসু খুদক্তা লম্মখাংদা পুন্সি লোমখি। অসুম্না লাকপনা খ্বাইদগী ইনৌ নৌবদা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী 'মেরিন দ্রাইভ' হায়না খঙনবা লৈকায়সিগী হৌজিক হৌজিক ৱর্দ নম্বর ১২গী ওনরেবল মেম্বর ওইবিরিবা ৱার্দসিগীসু মীয়ামগী থবক থৌরম কয়ামুক লেপ্পুনা পায়খৎপীরিবী এলাংবম শুনিগী লৈকায়সিমক্তদা লৈরিবা ওনরেবল শুনি মশামক্নসু লৈখিদবসিগী পাউ হেক ফংবদা কোয়চেন চেন্দুনা থৱায়তদি হিংহৌরবদি হায়নসু অদুক্কী মতিক হোৎনজখিবা থৌদোক অসিনি। হায়রিবা থৌদোক অদু অৱাংলোমদগী খা পাংনা টিদ্দিম রোদকী মখা থংবদা স্কুল তম্না থৌরকপা স্কুল বস অমদগী ইখঙ খঙহৌদনা তাহৌবদগী খাঙুথক্তা পুন্সি লোমখিবনি। নিংঙমহৌদবা থৌদোক্তু এলাংবম লৈকায়সিগী 'মেরিন দ্রাইভ' হায়রিবা লৈকায়সিদা লৈবা ওনরেবল মেম্বর শুনিগী মনাক্তা লৈবা নিংথৌজম লাঞ্চা কৌই। মহাক এলেভেন ক্লাসতা তম্লিবনি অমদি মমা-মপা অনীগী মথন্তা পোকচবা য়াম্না তাঙনা ফংজবা মচানুপানি।

থৌদোক অসিদগী হৌজিক ফাওবদি ইমাগী মপাদা অশি-অনা য়াওবা থৌদোক অমত্তা থোক্ত্রি, থোক্তবসু ওইসনু। থৌদোকসিগী মতুংদদি ইমাবু পূক্লিং-হকচাং য়াওনা ঙমজবা পোৎলমশিং কয়ামুক কত্তুনা থৌনিজবগী থবক থৌরম কয়া লেপ্পুনা চত্থরক্লি। লোয়ননা ইমাসিগী শঙ্গায়-যূম্ফমসু নীংথিজনা শেংদোক্তুনা ইমাগী চুং-ফিরান চাবা শঙলেন অমা ফাওবা শাদুনা ইমাবু থৌগল তৌনবগীদমক অখঙবা অমদি ৱারী-ৱাখোঙ কয়ামুক মমুৎ তানা খঙলবা মীওই কয়া-কয়ানা অদুক্কী মতিক পিক্লবা কা মচাগী শঙলেন অমদা তুম্পক তাশিন্দুনা লৈরিবী কনানসু হন্না য়েংশিনবীদ্রবী ইমাবু খুয়া তুশিৎনা চুং-ফিরান চানা অমুক্তদি থমহৌদুনা হৌজিক্কী অমদি তুংগী লাক্কদবা মীরোল কয়াগী য়াইফ থৌনি নিহৌসি হায়না হোৎনরক্লি। হোৎনরক্লিবা কয়ামুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী মপূং ওইনা হোৎনবিরক্লিবসিদা লোকল ক্লব অমা ওইনা হৌজিক ফাওবদা পরিং চুম্না ফঙ্কসন তৌরক্লিবা 'দি তখেল্লম্বম লৈকায় য়ুথ ক্লব' তখেল্লম্বম লৈকায়, শগোলবন্দ এ সী অমসুং 'দি তখেল্লম্বম লৈকায় মৈরা পায়বী লূপ' তখেল্লম্বম লৈকায়গা লোয়ননা 'ইমা হাওরোকচান্বী মৈরা পায়বী লূপ' হায়রিবশিং অসিনি। শিংথানীংঙাই ওইরবা টি ৱাই সী অমসুং মৈরা পায়বী লূপশিং অসিগী মরুওইবা থৌ পুবা-পুবিশিংগা লোয়ননা অকোয়বদা লৈরিবা ইমানা কোনবিরিবা অতোপ্পা লৈকায়শিংগী ইমাবু য়োকখৎনীংবা-য়োকখৎনীংবী কয়াগা পূন্দুনা নুমিৎ ১৫/২০ মুক লেপ্পুনা হোৎনরক্তুনা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা মীফম অমসু ফমদুনা ইমা হাওরোকচান্বীগী দিভলপমেন্ট লাই কম্মিটি অমসু শেমদুনা হোৎনরক্লি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইনাক খুনবা মিনিষ্টর

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হন্দক ইকোনোমিক টাইমসনা পুথোকপা রিপোর্ট অমদা (মাস মিদিয়াদা ফোঙখিবা) মণিপুরগী মিনিষ্টরশিংনা ইনাক খুনবদা কেরলাগী মথক্তা লৈরি হায়বসি থাগৎনীংঙাইনি। দেমোক্রেসি চৎপা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মকোক্তা লৈবা, মণিপুরনা আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টসনা মকোক্তা লৈবগুম, ষ্টেটসিগী মিনিষ্টরশিংনা ইনাক খুনবদা মকোক্তা লৈরি খঙহনবা হায়বসি থাগৎতবা ঙমদে। মহেগী থাক্তসু ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদগী তাদনা লৈরি হায়রি। ক্রিমিনেল চার্জশিংদা চেন্নবগী চাংসু নিলদা লৈ হায়রি। শম্না হায়রবদা ষ্টেটসিগী মিনিষ্টরশিংগী এ সী আর ফাওবদি ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী মমাঙদা লেমজনীংঙাইনি।

অমরোমদা, মিনিষ্টরশিংনা ইনাক খুনবদা মকোক্তা লৈরি হায়বসি খন্থরুরবদি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি অতৈ ষ্টেটশিংগী মমাঙদা। মিনিষ্টর খরদা নত্তনা মিনিষ্টর ১২ মক অহল-লমনশিংনা সম্পতি লুপা ক্রোর কয়াগী মথক্তা থম্বীরমগদবা মান্দে, অদুনদি করি-করম তৌরগা ইনাক খুনবদা মকোক্তা লৈরিবনো হায়বসি মীচম মীয়াম্না খঙনীংলমগনি। লৈঙাক অসিনা চহী ৫ মপূং ফাদ্রিঙৈদা ইনাক খুনবদা মকোক্তা লৈরিবা অসিনদি চহী ১৫ লৈঙাক্লক্লবদি ষ্টেটসিগী মিনিষ্টরশিংনা মালেম অসি লৈরগে খল্লম্বসু য়ারিবনি। মণিপুরগী চহীগী প্লানগী শেনফম অসি পোপ্যুলেসনগী মতুংইন্না য়েম্থোক্লরবদি মিনিষ্টরশিং অসি ইনাক খুনবদা মকোক্তা লৈগদবা মান্দে। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইবনা ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেস অদু ফোঙদোকচবনি। শোয়খিবা য়াওরবসু ঙাকপীগনি।

অরোইবদা, ষ্টেটসিগী বজেটকী শেনফমদগী শোক্তনা ইনাক খুনবা মিনিষ্টরশিংনা খাইগৎনরগা, লমলোং বজারগী নোংপোক্তা চৎলিবা তিনসিদ রোদ, তখেল শঞ্জেনবম, লমলাই এ সীগী মনুং চনবা শঞ্জেনবম খুন্দগী শ্রীশ্রী গোবিন্দ, চীংগোই বারুনি তাবা লন্বী অসি কোয়লাস থাবীবগা লোয়ননা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা তিনসিদ রোদতগী ময়াম্না অয়েকপম লৈকায় হায়না খঙনবা অসিদগী পোরোম্পাৎ দি সী রোদ, তোপ থোংখোঙ তাবা, ইরিল তুরেলগী মনিংগী লন্বী অসিদংগা কোয়লাস থাবীরবদি পুন্সিগী মকোক্তা লৈবা ওইসনু হায়না তাইবঙ শেন্বা মপুদা থৌনিজরি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী*
*টোপ অৱাং লৈকায়*

## থম্মোয় চাউথোকপসু খরদি তম্লসি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ঙসি ঐখোয়না চৎনরিবা চৎনবী কয়াগী মরক্তগী থবক্না মীনা শূরগা য়েংদুনা লৈবগী চৎনবী অমসু হেক হেক য়াওরক্লি। মীওইলক্তনা থম্মোয় পিকপা, ৱাখল থেনবা কয়াসু লৈনরি। করিগুম্বা খুদোংচাববু ফংলবদি মশাগী ওইহৌনবা হোৎনবসু কয়ানি। অদুগা থবক্না মীনা শূরগা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈবা, লৈখল শুরবা লমদমনি হায়জনীংই।

থবক শূরিঙৈ শোয়বা শোয়দবা কনাসু তাক্লিংদে, শোয়রগা ঙাঙনবতনি হৈনরিবা। অদুনা লৈঙাক্কী ওইরবসু অমগীবু ওইরবসু থবক অমা তৌবদা ৱাখল তৌরগা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী লোইখ্রগা লোইরে খন্দনা ফজনা ৱাখল খন্থনদুনা থবক শূনরবদি শোয়রোইদ্রা খল্লি। হৌজিকসু লৈঙাক্না মীচম মীয়ামগী লন্বীগী অচিনবা খরদং কোক্লবা ফুট ওভর ব্রিজ শেন্বী-শাবিরি অদুবু ফুট পাথ মথক্তা শারিবা ওভর ব্রিজগী কাখৎফম সিড়ি থাক্তি অহল ওইবা কয়াদি ৱাংবনা কনাসু লান্নদে অদুনা ইলেক্ট্রিক লিপনা কানবরা খঙদে। পিকখ্রবা লন্বী শোক্না ফুট পাথ তৌখায়দুনা লোইশিনবা নাইদনা করিনো অমা পান্নবা হোগাইদুনা থল্লি। অদুবু মরাইবক থীরবা হঞ্জিন-হঞ্জিন করিগুম্বা অমগীসু অৱাবা নংলবা কংলা পার্ককী অমদি কাংজৈবুং মপান্দগী বি টি রোদ লানবা ফুট ওভর ব্রিজনা ফুট পাথতি শন্বল খাবগুম খোঙনা চৎফম লন্বী লৈশিল্লক্তে, ফনা নান্না লৈরম্বনি অদুবু হৌজিক্তি অৱাবা ওইনরে।

ফনবা শেম্বনিদি হায়ববু থিকাদারশিংনা হান্না তুংগী খলহৌদবনা মহৈ তম্ফম শেন্দানফমগী ফীভমদা অমমুক হাপচিল্লি, অমমুক তৌখায়, তৌখায়বগী শরুক্তা ওইরি, তৌবগীদি মরম অমদি লৈরমগনি। অদুবু মসিদা খোঙনা চৎপা কয়াদদি তৌখাইবগী মচাকশিং পৈশিনবনা চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা য়াওনবনা তৌখাই-তৌখাই থল্লিবশিং অথুবা মতমদা লোইশিনহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি। অদুগা খোঙনা চৎনরম্বা ফুট পাটসু সিড়ি থাক থমজিনবনা থোং লান্দবা খোঙনা চুম্না মখাদা চৎপদসু কাংজৈবুং ময়াগী খোঙগী সিড়িনা ময়াই চবুক্তা লৈবনা হেন্না খুদোংচাহন্দ্রে, সরক্তা কুমথরগা অমুক কাখৎনরি। চৎফম খজিক খাকপনদি মী অনী থৈনফম লৈতে। মীয়ামগী ফনবা শেম শাবিরিবনি অদুবু শাদ্রিঙৈ খন্নহৌদ্রবনিনা করি পাম্বৈ লৈরি। মসিদা ইলেক্ট্রিক লিপ হাপ্লগনা মী কাখৎ কুমথবগী মী ইন্নবদা লন্বীদা গাড়ী অচৌবা-মচা কুংনা চৎপনা খুদোংথীবা থোক্কদ্রা চিংনজে। অদুনা খজিক খন্থহৌবনা ফগদ্রা?

নাকল অমরোমদনা ঐখোয়গী লমদমসিদা থম্মোয় পিক্না মীঙম্বা মীসু লৈনরি। ওইজ-ওইথক থিবনা হৈনবী অহল মীওই খরা লৈরব্রা খল্লি। ঐখোয়গী ফজবা খুন্নাইগী চৎনবী ওইনা শেৎন-চানরিবা অহলগীনা ফৈজোম, নহারোলগীনা কুর্তা শেত্তুনা লাইনীং-লাইশোনগী, লুহোং-খোংদোংবা, মপাম চাক্কৌবা চৎনৈ। মসিদা খজিক ফজবা খোঙউপ, শেন্দল তোংদুনা চৎনবদা য়ূম হল্লক্লবদা অৱাবা ওইনবা য়াওনরে। অদুবু মতম অমদি লুহোংবা, মপান চাক্কৌবদা বরগী খোঙউপ, শেন্দল লৈশাবীশিংনা লোৎশিন্নদুনা থম্নে, বরদুনা অঙম্বা শেল খরা পীনরগা খোঙউপ হন্দোক্লবা চৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি খোঙউপ লোৎশিন্নদ্রে, শেলতমক অঙম্বা পীনরি। মসিদা তায়োন্ননা কর্ম্ম লাক্লরিবা মী মশেলগী মরক্তা খোঙউপ হুরানবগী চৎনবী অমা থোরকপগুম তৌরি। তোংখিবা খোঙউপ তোংলক্তনা যূম হন্নরকপসু য়াওনরি। কর্ম্ম লোইদুনা থোরকপদা ঐগী খোঙউপ লৈরমদ্রে, শেন্দল মাঙখ্রে হায়বসি য়াম্না তোয়না হায়নরি। অদুনা লোন্না লৌবগী হৈনজবা মীওই খরদদি যূমদগী ফাওবা খোঙউপ তোংদনা লাক্লগা মীগী অফবা খোঙউপ তোংদুনা চৎখিবা মসিগী মহীক অসিনা মরক-মরক্তা শন্দোক্লি। অদুবু খোঙউপ মাঙলিবা মীদুগী পূক্লিংদা ফাওরিবা নুংঙাইথবা চৈনাদি লৌরিবা মহাক্তি খঙলম্লোই। অদুনা হুরানবগী তরানি, মপুগী নোংমা হায়দুনা তান চাদবদা মীমাংদা চোপ্পা নংবা থোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ঐখোয়না তুংগী পোরম য়েংনা ইশাগী ৱাখলতমক খন্দনা অখঙ অহৈ তানদুনা থবক অমা তৌবদা শোয়দনবা হোৎনদুনা থম্মোয় চাউথোকপসু খরদি তম্লসি। মীৎয়েংনা মীগী মীপোত্তা য়েংবগী হৈনবী থাদোক্তুনা ইশাগী লৈজবা ইপোৎনা অশেংবা ইরলনি খন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

## মীওইবগী পুন্সি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

ঐখোয় অসিবু মী ওইরিব্রা নৎত্রগা করম্বা মখলগী জীব ওইরিবগে হায়বা ৱাফম অসি কন্না নৈনবা চংই। জীব খুদিং মশা মশাগী চানবা থিদুনা চাবা ঙাক্তনি অদুগা পুকচেলদি তিন্নদে। অদুবু ককচেং হায়বা জীবগী মখল অসিদি খ্বাইদগী লিংজেল মান্নবা হেল্লি। জীবশিংগী মরক্তগী শিংবা খ্বাইদগী হেল্লি হায়রিবা মীওইবনা মশাগী মাঙনবা তৌবা, তুংগী লন্বী ককচবা খ্বাইদগী হেল্লি। মীওইবনা মশাগীতং য়েংবা, মী অতোপ্পগী করিসু খন্দবা, ঐ ফরগা লোইরে খনবা ঙাক্তনি। খ্বাইদগী শিংবা মীওইবনা ফত্তবা ৱাখল লাক্লবদি শাদগী হেন্না তমথীবা শরুক চাম্মা-চাম্মা হেল্লি হায়বসি স্কোল্লর কয়ানা য়ানরবা ৱাফমনি। মরম অসিনা মীওইবনা শাগী ৱাখল লাক্লবদি খুন্নাই অসিদা ঈং-তপ্পা ফংদবা, চরাংনবা নুপী-অঙাং কয়াগী ঈজৎ কয়া তেমশিংনবা, নুংশিনবা ৱাৎনরক্তুনা লৈবাক ঈরাং হৌরক্তুনা চাওখৎ লন্বী থিন্থহল্লি। অদুবু মীওইবগী মশাদা অফবা, ফত্তবা অনীমক পূন্না য়াওই। অদুগুম্বা মীওইবগী ফত্তবা শরুকমখৈ চুমথোকপীদুনা লৌথোকখ্রবদা অফবা ঙাক্তা তুংদুনা লৈহৌগনি। অদু ওইরবদি মীওইদু অচুম্বা খঙবা, অফবা হায়বা অদু ওইরে। মরম অসিনা মীওইবা ফুরুপ শেম্বদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা হ্যুমেন রিছোর্স অসি য়াম্না মরু ওইরকই। হায়রিবা লাইশঙ অসিদা থবক তৌবীরিবা কয়ানা অঙাং শেম্বদা এদ্যুকেসন অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌবনা খ্বাইদগী চেকশিনবা মথৌ তারকই। ওজা হায়বা শিনফম অসি অতৈ শিনফমগা মান্নদে। খ্বাইদগী মরু ওইবা শিনফমদি ওজা হায়বা অসিনি। হীরম খুদিংদা মথৌ তৌরিবা মীওই খুদিং ওজাগী পোত্থোক ঙাক্তনি। ফত্তবা হৈনবী লৈবা নহা কয়া ওজানা হৈনা-শিংনা চেকশিন্না শেন্বীরবা অঙাংদু অদুম ফরক্কনি।

মতাং অসিদা মমা-মপাগী থৌদাংসু য়াম্না মরু ওইবা অমা চংই। মমা-মপা লৈত্রবা অঙাং কয়া মতিক চাবা মী ওইখিবা কয়াসু য়াওদবা নত্তে অদুবু মদু অতাঙবনি। মালেমদা মমা-মপা, অহল-লমন, ওজা-গুরু কয়ানা হায়বদা থওইদবা অমত্তা অফবা মী ওইখিবা ঐখোয়না থেংনদে। মরক অসিদা মহৈরোয় ওইরিবা নহারোলশিংগী হোৎনবা কনবা, নীংবা কনবা, খাঙবা হৈবা ওজা গুরু মশক খঙবা, মথক থোংবা কয়াবু ইকায়খুম্নবা য়াম্নমক তঙাইফদবা চংই। মমাঙঙৈ মহাভারকী মতমদা অতোপ্পা মচা এক্লব্যানা গুরু দ্রোনগী মফমদা মহৈ তমগে হায়জবদা গুরু দ্রোন্না অতোনবা ফুরুপকী মচানি খন্না মহৈ তম্বীয়ু য়ারক্ত্রবদা এক্লব্যানা অচিকপা লমহাংদা গুরু দ্রোনগী মীতম শাদুনা মদুগী মমাঙদা পূক্লিংদা গুরুবু কন্না থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নদুনা নুংতিগী তেনগী মহৈ ঔরাইবদা পান্দব মচিন মনাও মঙানা খঙবা ঙমদবা মহৈ কয়া হৈবা ঙমখিবগী ৱারী ঐখোয়না তাখ্রে। অদুনদি পূক্লিং চংবা অমদি হীরম অদুদা ৱাখল লমখৈ চোইদবা হায়বসিনা মরূম চংবা মীওই ওইহনবগী অচৌবা মচাক অমনি হায়বসি ঙসিদগী চহী লিশীং মঙাগী মমাঙদা খঙনরবা ৱাফম ওইরক্লি। অসুম্না ঙসিগী মীরোলগী আশা ওইরিবা নহা কয়ানা মালেমগী অহোংবা কয়া লাক্তুনা মালেম অসিদা লৈরিবা জীব কয়াসি কাঙ্খুল মুৎখিগদবদগী কনবা অসি শোয়ফদ্রবা থৌদাংনি খনবনা অচুম্বা ওইগনি। মসি অখঙ অহৈ কয়ানা থন্বীরম্বা মখল মখাগী লাইরিক য়াম্না মমুৎ তানা নৈনবা চংই। ঙসিগী নহা কয়ানা মথৌদি তৌনীংদবা অদুগা অচৌবা মী ওইনবা হোৎনরকপা, দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা তাওবা, অমগা অমগা মতেং পাংনবগী মহুৎ অরোনবা লন্বী কয়া চৎপা অসিনা মালেম কনবা ঙল্লোই।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা মমাগী শকলোন লৌবীরিবী নুপীশিংগী থৌদাং অসিসু অরাইবা ওইদে। তাইবঙ শেম্লকপদা মমা য়াওদনা শেম্বা ওইথোক্তে, অফবা অখাং কনবী নুপীগী তম্পাক্তা মালেম শেমগদবা, মীওইবা ফুরুপ কনগদবা মীওই কয়া চাওরক্কদবনি। মরম অসিনা নেপোলিয়ন্না অফবা মমা লৈরবদি মালেম খুদুম চনবা ঙমগনি হায়রমখি। অদুগুম্না করমচান্দগী লোয়নবী গান্ধীগী মমা পুটলিবাইগী তম্পাক্তা গান্ধী চাওখিবনা ইন্দিয়াগী মীওই কোটি কোটি কয়াগী লন্বী তাকপীবতা নত্তনা মালেমদা অনীশুদ্রবা খূৎলায় য়াওদবা লাঞ্জংনা ইন্দিয়াবু মীনাই য়োৎহ্লিংদগী কোকহনখি। করিগুম্বা পুটলিবাইগী তম্পাক্তা চাওরমদ্রবদি ইন্দিয়া অসি করি ওইরমগনি। অদুনদি ঙসিগী মমাগী থৌদাংসি কয়াদা চাওরিবনো? পূম্নমক খন্থবীদুনা নুপী ওইবী কয়ানা অফবা মমাগী শকলোন লৌবীদুনা তুংগী যূম্বী ওইরক্কদবা অমদি মালেমসিবু কল্লগদবা নহা কয়া শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌবীবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরক্লে। ঙসিগী অঙাং, নহা কয়া শেলগী মীহৌবা লৈহন্দবগা লোয়ননা লমচৎ ফজবা গান্ধীগুম্না অখাং কনবগী হৈনবীদা মিহৌহনবা অসিনা মালেম অসি তুং কোয়না কনবা ঙমগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ*
*ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

## অশেংবা ওইরবসু, শেংদবা ওইরবসু

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

পামজদবা অমনা মরিং-মরাংগী থবকসিমদি তৌদবনা খ্বাইদগী ফরবনি। ওজা অরাংফমগী থবক খূৎতৌ ঙাক্তা ঙাইরকপনা অমগা অমগা অহৈবা, অশিংবা ওইনা মশা মথন্তা-মথন্তা ওইনা খন্নরকপদা মসিসু অদুমক মরৈরবনি। অশিংবা অখঙবা মীসিনবু মতোইনা য়াল্লবা থোকঅবা অমদি লাক্তনীংঙাই লৈরোই। নিংথৌ ময়াম লৈরগা মীচম মীয়ামদি ইরৈ লৈতবা হায়বসি মওং তাগদবা নত্তে। ঐসু মাগুম্বনি, মানা ঐঙোন্দগী করি হেন্দনা মসিসু খন্নগদৌরিবনি। অচাওরম কাবা হৌমিন কামিন্নবা মরূপ-মপাং কয়া মথক থোংবা কয়া পূম্নমক ঐনা মহেল্লবনি খল্লবা ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্বাক্লা ফমদেকই হায়বা মদুমা নোংমদি থোক্তনিংঙাই লৈরোই। হন্থনা নোল্লুক্না কনাদসু করিসু হায়জরোই, মানা তৌবনা মানা ফংবনি, ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবনি। মসিগুম্বসি খুদক-খুদক্কী নৎত্রবসু শোইদমক তৌদনা থোক্তনীংঙাই লৈরোই।

হিংলিবা তাইবঙ মীওইবা মরক্তগী ইমান-মান্দনা হিংবসিসু মীয়াম্না অঙাওবা ওইনা উদৌরিবনি। তৌবগীবুদি মীয়ামদগী নাইতোম তাদুনা লৈরিবা মখোয়শিংসিগী মনুংদা মীয়ামদগী থোইদোক হেন্দোকপা করিগুম্বা অমদি য়াওদৌরিবনি। ঐখোয়গী ওইবা করিগুম্বা থৌদোক ৱাথোক অমদা শেৎকদবা, ইনগদবা, লিৎকদবা পূম্নমক কনা অমত্তনা হায়রুবা তাক্লুবা তৌদনা চৎনরকপা করম্না থিদা হায়দৌরি? হিংবসিদা হিংনা-হিংনা মথোঙ মরম ইখঙ খঙদবা মীওই অমা ওইনা পংলৈদা মরৈবা, মসিসু য়াবা নত্তে। শূফম চাফম লৈত্রবা তৌরু-তৌরুবা খুদিংদা পুত্থদুনতা মরৈরবা ৱাখল চাউথোরকপদি লায়রদুনা পিকশিল্লক্কদৌরিবনি। হিংনবা পাম্বৈ থিরকপদা অফং-অফংবা শূবা নত্তনা করিনো তৌগদৌরিবা?

লাই লৈ, লৈতে হায়না মরৈ তৌনরিবা চাওখৎলবা মতমসিদা ৱারক্লবা, নারক্লবা মতমদা করিগীদমক লাই মহাকপু শোঞ্জরিবা, খুরুমজরিবা, মসিনা করম্বা মখলগী থাজবনো? নুংঙাইরিঙৈগী মতমদদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা তাইবঙবু শেন্বীবা মপুবু থওই-ৱাওইরমদ্রবসু অৱাবা, অনা-অয়েক লাক্লবা মতমদা থাজরমদবা মীওইসু থাজবা অমগা লোয়ননা... মসি তৌদে হায়বা য়াবা নত্তে। চাহৈদবা, য়েংহৈদবা পরম অনীসিবু মতাং মতম চানা শীজিন্নরবা খরমখৈদি অদুমক শিংথারগদবনি। মীগী ফত্তনবা খনবা, অৱা-অনা উরগা থওইরুদবা মীনুংশি হায়বদু মচেৎ অমত্তা য়াওদবা মদুগুম্না মীওইদুগী মফমদা ধর্ম্মগী ওইবা ৱাফমসিমা মরিং-মরাংদনীংঙাই লৈরোই। হন্দক্কী মপোক্তা তোপ তোপ্পা থৌওং খরা মীওইবা কাঙলূপকী পাঙথোক্লরিবা মীশিংগী মপোক নহানমুক্কী মপোক্তা করিগুম্বা থবক খরা তৌরকখিবগী মহয়ননি হায়না থাজবা য়াওনরিবা পোৎনি। তিনখেৎপা লাইখেৎপসিসু অফবা ওইনবগী থবক্তি নত্তবনি। অশেংবা মীওইবা ঐখোয়গীদমক অশেংবা লাইরিক্লি হায়না থাজনরিবা/ লৌনরিবা লাইরিকশিং গীতা, চণ্ডী, বাইবল, কুরান, জেনঅবেষ্টা, ত্রিপিতক অসিনচিংবা লাইরিকশিংসিবু থাদোক্তনা লোয়নবদা ফত্তবা থৱায়শিংনা চঙবা ঙমদে হায়বা থাজনরিবনি। পাম্বীশিংদা সনা খোংনাং, তুলসি, উরিকসিবীনচিংবা ভুট প্রেক্লা চঙবা ঙমদবগী ৱারী লৈনরিবনি। পূম্নমক থাজবনা মশীং হেল্লবসু মসিদা থাজদবা মীওই অদুমক য়াওরিবা পোৎনি। থাজবা হায়বা অসিনা ইরৈমক লৈতবদা মশাগী ওইজবা খরদি মাঙদনীংঙাই লৈরোই। শ্রী কৃষ্ণগী খূত্তা মথৱায় থাখ্রবী পুতনাসু মপোক অমদা বলি মহারাজগী মচানুপী রত্নমালানা ওইখি হায়নরিবনি। ৱারীগী মনুংদা শাজিন্নবা ময়াম অমা য়াওরবসু ৱারীদুনা মওং তাবদা থোক্তা-থোকখিবা ওইনা মানবা মসিসু য়াওদবা নত্তে। থোকখিবা ৱারীসু থোক্তবা ওইনা অতাবা মীওইশিংনা খনবা, থোকখিদবা ৱারীনা থোক্ত-থোকখিবোই নীংবা মসিসু অদুমক মরৈবনি। পূম্নমকসি লৌবা য়াবা লৌরগা, তাবা য়াবা তারগা... মসিনা খ্বাইদগী অফবা ওইরদবনি। উহৌব্রা? উহৌদব্রা? মরৈ তৌনদুনা করিসু কান্নবা লৈরোই। অঙম তান্নরবদি নুংশিনদবা নমদনা লাক্কদৌরিবনি।

অমম্বদা পিল্লবা কেগামদগী থাউ য়াওনা থাল্লকপা মৈনা মৈঙাল ফজনা লৈবা হায়বসি অমম্বদুনা থোইনসু হেনবনি হায়না লৌবদা য়ারবনি। অঙানবদা থানবা মৈদি মৈদুগী মৈঙাল মপূং ফাদনা লৈবা মসিদি অদুমক ওইরগদবনি। অতিয়াদা থোক্লিবা ঈং তপ্না নিংথিরবা থাজ, থাজগী মঙাল নুমিত্তগী লৌবনি হায়বগী থাজবা লৈরিবনি। মালেমসিদা করিগুম্বদা লৈবা তারবা মথন্তা লৈবা হায়বসি থাজবা ৱাৎলপ-ৱাৎলপ অদুমক লৈরগদবনি। ঙসিগী মীওইবা খুন্নাইসিদা ৱাখলনা শারগা ফংলিবা খুদোংচাবা কয়া মসি ফাওবা পেঞ্জদবা লমদমসিগী মীওই কয়া য়াওদবা নত্তে। য়েংথীনবা য়েক্লবনা খুরক হাংলক্ত্রবা মতমসিদা য়েক্লবা লৈত্রবা মীওইবসু থৌশারুদবা য়াবা নত্তে। অমুক পোক্কনি, অমুক শিগনি মসিবু খল্লিবা মখৈ হিংবদা ওইজবা ফংগদৌরিবসিবু কনানা ওইদৌরি?

অহিংবা ঐখোয়না তুংগী মীরোলগীদমক করি তৌবা তাবগে? ৱাখলসিমক খন্দনা নোংমগী চরা অনী চারগা লৈবনা তুংগী মীরোলনা পেনগদবা নত্তে। শাগৈ নাতৈ, মরী-মতা, ঐগী-ঐগী মরী ওইরবসু ঐ হায়বা ঐসিনা মওং মরীন তাদনা হিংবদা মতেং ফজনা পাঙলক্কনি হায়বা থাজবগী ৱাংমদা লৈদৌরিবনি। ঐহাক হায়বসি ঐহাক ওইনা নিংথিনা, ফজনা লৈরবতদা পূম্নমক ঐগী মী ওইদৌরিবনি। মী অমা ওইনা করি তৌবা তাবগে? তৌবা য়াবা, শূবা য়াবা ঙম্নমক নিংহন্নবা তৌদনা অৱা-অনা থিদনা হোৎনবা তাবনি। মহৈদা খঙদে, লন-থুমদা খঙদে হোৎনবা য়াবা হোৎনবদা খরমখৈদি শাফদনীংঙাই লৈরোই। শূরগা -নোম্লগা ঐখোয় ময়াম্না থাজনরিবা লাই ইবুংঙো মহাকপু নোংমগী ওইনা মীকপ খরদং ওইরবসু থাজনা নীংজবদা থম্মোয়বু শেংলবা ইবুংঙো মানা পেনবীগদৌরিবনি। থাজবা থম্বগা লোয়ননা তৌরু-তৌরুবা খুদিংমক মপু মঙোন্দা কৎথোকপনা অশোয়বা কয়া লৈরোইদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।